

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা টি–২০ দা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা খ্বাইদগী নহা ওইবগী রেকোর্দ থমখিবা মশাগী চহী ১৮ তা ঙাইরিবা ৱাশিংটন সুন্দর*

*চহী অসিগী অরোইবা থাঙজ নুমিৎতা য়ুএইগী সিটি অবু দাবিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মুবাদলা এক্সিবিসন ইভেন্টতা নৌনা মমা ওইখ্রবা মতুং শান্নবা য়াওগদৌরিবী য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস*

## শ্রী লঙ্কাবু মায়থিবা পীখিবদগী ইন্দিয়াগী টিম টি–২০গী রেঙ্কিংদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৫ঃ*

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না ঙরাং মহারাষ্ট্রাগী কোনুং মুম্বাইদা লৈবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শ্রী লঙ্কাগা শান্নখিবা টি–২০ মেটচ অহুমগী সেরিজগী অহুমশুবা মেটচ অদা মায় পাক্তুনা মালেমগী ওইবা ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংগী টি–২০ গী মকোক মথংগী পরিংদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙরাং মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা টি–২০ মেটচ অদুদা মমাঙগী মেটচ ২ মায় পাক্তুনা লাক্লবা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৫ দা শ্রী লঙ্কাবু থোইদুনা সেরিজ অদু ৩–০ দা লৌখিবদগী মালেমগী ওইবা ক্রিকেটকী টি–২০ টিমশিংগী মকোক মথংগী পরিংদা মমাঙদা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়ানা ঙরাংগী মেটচ অদু মায় পাকপদগী হান্না মখোয়গী মথক্তা লৈরম্বা ইংলেন্দ, ন্যু জিলেন্দ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজদগী হাইগৎলগা টি–২০ মশাগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা অনীশুবদা লৈরকপনি। ইন্দিয়াগী টিম শ্রী লঙ্কাগা শান্নবা সেরিজ অসিগী মাঙওইননা পোইন্ট ১১৯ লৈখিবনি। অদুব টি–২০ মেটচ অহুমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২১ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন অদুদা লাকখিবনি।

টি–২০ ক্রিকেট মশান্না অসিগী ওইন ইন্দিয়াগী কেপ্টেনসু ওইরিবা ওপনর রোহিট শর্ম্মা অমদি অতোপ্পা বেটসমেন কে লোকেস রাহুল হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী শ্রী লঙ্কাগা শান্নবা সেরিজ অসি লোইশিল্লকপদা অহেনবা থাক্তা লাকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী টি–২০ টিম কেপ্টেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্মানা মেটচ অহুমগী সেরিজ অদুদা শ্রী লঙ্কাগী মায়োক্তা রন ১৬২ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী স্কোর অদু ইন্দোর সিটিদা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা রন ১১৮ লৌখিবা অদুনা অচৌবা কান্নবা পীদুনা হান্না টি–২০ ক্রিকেট মশান্নগী বেটসমেনশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ২০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক ৬ হাইগৎলগা ১৪ শুবা পোজিসনদা লৈখি।

অমরোমদা কে লোকেস রাহুলনা শ্রী লঙ্কাগা শান্নবা টি–২০ সেরিজ অসিদা হাল্ফ সেঞ্চুরি অনী লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অহুমগী সেরিজ অসিদা পুন্না রন ১৫৪ লৌদুনা হান্না লৈরম্বা থাক্তগী ২৩ হাইগৎতুনা মরিশুবা পোজিসনদা য়ৌবা ঙম্লি।

টি–২০ মশান্না অসিগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর আরোন ফিন্সনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা শান্নরোইশিংগী বেটসমেনগী ওইনা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইবা ঙমখি।

আরোন ফিন্সনা হান্না অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী টি–২০ গী বেটসমেনশিংগী মকোক মথংগী পরিংদা অহানবা থাক্তা লৈবা ঙমখিবনি। লোয়ননা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ওপনর ইভিন লেৱিসনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা মহাক্কী মতম কুইনা অনুস্কা শর্ম্মাগা লুহোংবগী থৌরমনা মরম ওইরগা শ্রী লঙ্কাগা শান্নবা সেরিজ শরুক য়াবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা হান্না টি–২০ গী বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা অহানবা লৈরম্বা থাক অদু পোইন্ট ৪৮ হন্থরগা অহুমশুবা থাক্তা লৈখিবনি।




*টি–২০ ফোর্মেটতা অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিম*

## ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ইংলেন্দগা মথং চহীদা ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা ৱান দে অমসুং টি–২০ সেরিজ শান্নগদৌরি

*চেন্নাই, দিসেম্বর ২৫ঃ*

ইংলেন্দগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না মথং চহীগী মার্চ থাদা ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরিবা ক্রিকেট টুর অসিগী মনুং চন্না ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা ৱান দে সেরিজ শান্নবা লোইরগা লৈবাক অহুমগী টি–২০ সেরিজ শান্নগদৌরি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোলগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না শান্নগদৌরিবা ৱান দে মেটচ ৩ গী সেরিজ অদু মমাঙদা ইংলেন্দগী ক্রিকেট বোর্দকা য়ান্নখিবা মতুং ইন্না চথরক্কদবা নুপীগী ক্রিকেট টিম অনীগী খোঙথাংনি।

ৱান দে মেটচ ৩ গী সেরিজ অদু শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা ইন্দিয়া, ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা টি–২০ ট্রাইঙ্গুলর সেরিজ হান্না শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ইংলেন্দগা শান্নগদৌরিবা ৱান দে মেটচ ৩ গী সেরিজ অদুগী মাঙওইননা ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ গী সেরিজ অদুনা মরম ওইরগা য়ুম্বু ওইগদৌরিবা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা খুদোংচাবা ফংগদৌরি।

মিথালি রাজনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ইন্দিয়াগী গুজরাট ষ্টেটকী ভাদোদারা সিটিদা মার্চ থাদা অহানবা সেরিজ অদু শান্নগনি।

মদুগী মতুং ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা টি–২০ ট্রাইঙ্গুলর সেরিজ শান্নবা মতুং এপ্রিল থাদা ইংলেন্দগা ইন্দিয়াগা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজ শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ইংলেন্দগা শান্নগদৌরিবা ৱান মেটচ অহুমগী সেরিজ অদুগী অহানবা মেটচ মথং চহীগী এপ্রিল ৮ দা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচ অদুনা এপ্রিল ১১ দা শান্নরগা অহুমশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অদুনা এপ্রিল ১৪ দা শান্নগনি।

পনবা য়াই কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) গী সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইরগা ফেব্রুৱারী ৫ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন্স ক্রিকেট চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমসু শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম অসি চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ইংলেন্দগী মখূত্তা য়াম্না নক্কনা মায়থিখ্রবা মতুং হন্দক্কী সেরিজ অসিদা শান্নগদৌরিবা অসিনা টিমগী ওইবা অহানবা মেটচনি।



*ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা লাক্কদৌরিবা টুর শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোইশিং*

## আর্মি য়োটিং নোদনা সেনিয়র অমসুং য়ুথ নেসনেল সেলিং চেম্পিয়ন্সিপকী টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে




*সেনিয়র অমসুং য়ুথ নেসনেল সেল্লিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা আর্মি য়োটিং নোদকী শান্নরোইশিং*

*মুথুকুর, দিসেম্বর ২৫ঃ*

অন্ধ্র প্রদেশকী হিথাংফম সিটি নেল্লোরদা লৈবা মুথুকুরগী কৃষ্ণপত্নমদা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র অমসুং য়ুথ নেসনেল সেলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা আর্মি য়োটিং নোদ (এৱাইএন) না টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

এৱাইএনগী শান্নরোইশিংনা ঙসি লোইশিনখিবা সেনিয়র অমসুং য়ুথ নেসনেল সেলিং চেম্পিয়ন্সিপকী ইভেন্ট অহুমগী গোল্ড মেডল অহুম্মক লৌবা ঙমখি।

এৱাইএনগী টিম অদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অপুনবা মেডল ১৮ লৈবগী মনুংদা ১৪ ফংবা ঙমখি। মসিনা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা অতোপ্পা শরুক য়ারিবা টিমশিংবু নাথৈদুনা থন্নগা সেল্লিং মশান্না অসিদদি আর্মি য়োটিং নোদগী জুনিয়র অমসুং সেনিয়রগী থাক্তা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা অদুম্মক মকোক থোংবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু উৎপা ঙমখি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎশিন্দুনা সেলিংগী দিসিপ্লিনদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংগী মপুং ওইবা আর্মি য়াটিং নোদকী মায়কৈদগী য়াওরগনি হায়বসি ঙসি নেল্লোরগী কৃষ্ণপত্নম পোর্টতা লোইশিনখিবা সেনিয়র অমসুং য়ুথ নেসনেল সেলিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী রিজল্টনা ময়েক শেংনা তাক্লি।

সেনিয়র অমসুং য়ুথ সেলিং চেম্পিয়ন্সিপ অদু লোইশিল্লকপদা লৈখিবা রিজল্টশিং অদুদি ফিনদা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা আর্মি য়োটিং নোদকী শান্নরোই অহুমদি স্বাতন্ত্র সিংহ, ভিবেক অমসুং নবিন কুমারনি।

আরএসঃএক্স (ৱিনসর্ফিং) ইভেন্টতা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা আর্মি য়োটিং নোদকী শান্নরোই অহুম অদুদি এস জেরোম কুমার, আর্জুন রেদ্দি অমসুং মনপ্রিত সিংহনি।

সেলিং ইভেন্টকী ৪৯নর গী ইভেন্টতা গোল্ড অমসুং সিলভর ফংখিবা আর্মি য়োটিং নোদকী পেয়র সি সন্দিপ জেন, মুনা পদত অমদি নরেন্দ্র সিংহ অমসুং এস আর রাওনি। অদুগা ইভেন্ট অদুদা ব্রোঞ্জ ফংখিবা পেয়র অদুনা আইএনএসএ। এনএসটিগী আনন্দ থাকুর অমদি ভিসাল থাকুরনি।

৪৭০ ইভেন্টতা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখিবা আর্মি য়োটিং নোদকী পেয়রশিং অদুদি মথংশিংনা পি পি মুথু–সুভম পটেল, অয়াস খান–মহেস চন্দ্র যাদব অমসুং অতুল লেন্দে–সিঐচএস রেদ্দিনি।

লেজর ষ্টেন্দর্দ ইভেন্টতা মকোক থোংবা পোজিসন ফংখ্রবা আর্মি য়োটিং নোদকী শান্নরোইশিং অদুদি ভিষ্ণু সারাভনন, মুজাহিদ খান অমসুং ভিটেসনি।

নুপীগী লেজর রেদিএল ইভেন্টতা সিইএসসি পুনেগী রামিয়া সারাভানননা গোল্ড ফংখি। টিএনএসএগী নেথ্রা কুমানননা সিলভর অদুগা ভোপালগী এনএসএসকী তানু ভিসেননা ব্রোঞ্জ ফংখি।

সেনিয়র অমসুং য়ুথ নেসনেল সেলিং চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুথকী কাঙলুপ্তা পাঙথোকখিবা ওপ্তিমিষ্ট ইভেন্টতা এনএসএস ভোপালগী উমা চৌহাননা গোল্ড ফংখি। টিএনএসএগী আর নিলানন্দনা সিলভর অদুগা এনবিএসসিগী ইরা দুর্গা প্রসাদনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ওপ্তিমিষ্ট গ্রিনদা এনএসএস ভোপালগী একুবিয়া বাথমনা গোল্ড, টিএনএসএগী আরিয়ান আনন্দনা সিলভর অদুগা ৱাইসিঐচকী অফান মুবেননা ব্রোঞ্জ লৌখি।

লেজর ৪.৭কী ইভেন্টতা এনএসএস ভোপালগী হর্সিতা টোমরনা গোল্ড, টিএনএসএগী অনিকেত রাজারামনা সিলভর অদুগা মুম্বাইগী আইএনদব্লিয়ুটিসিগী ভিভিন ভিনিলনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

৪২০ ইভেন্টতা মুম্বাইগী আইএনদব্লিয়ুটিসিগী পুনিত কুমার সাহু–অমিত সাহুগী পেয়রনা গোল্ড লৌখি। সিলভর মেডল অদুনা ত্রিসা এনসি বেঙ্গালুরুগী ভারত–পান্দেনা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা সিইএসসি পুনেগী পেয়র সুভম বালাদে–প্রভাত দোংগ্রেনা লৌখি।

## হায়দরবাদ হন্টর্সকী মায়কৈদগী কেরোলিনা মারিননা লুচিংদুনা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়রবু পোইন্ট ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা পিবিএলগী টেবলদা মাঙজিল থাখ্রে

PBL PREMIER BADMINTON LEAGUE

*গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২৫ঃ*

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী গুৱাহাটিদা লৈবা কর্মাবির নবিন বোরদোলোয় ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মরিরকশুবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী নীনিশুবা নুমিৎতা স্পেনগী মমিং লৈরবা শান্নরোই কেরোলিনা মারিননা লুচিংবা হায়দরবাদ হন্টর্সকী টিম্না য়ুম্বু নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সপু পোইন্ট ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখ্রে।

হায়দরবাদ হর্ন্টসকী মায়কৈদগী নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সকা শান্নখিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্টকী নীনিশুবা নুমিৎকী অহৌবা মেটচ ৩ মায় পাকখি। হায়দরবাদ হন্টর্সকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবী নুপীগী ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা মহাক্কী সিঙ্গলস মেটচ অদু ত্রম্প মেটচ ওইরগা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সকী শান্নরোই মিসেল লিবু ১৫–৯, ১৫–১১ দা থোইদুনা ঙন্না পোইন্ট ২ ফংখি।

মদুগী মাঙওইননা হায়দরবাদ হন্টর্সকী মায়কৈদগী নুপাগী দবলসকী পেয়র মার্কিস কিদো অমসুং য়ু য়িওন সিওংনা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সকী কিম জি জুং অমসুং সিন বেক সিওলবু য়াম্না অকনবা লম্বা থেংনরগা ১৫–১০, ১৩–১৫, ১৫–১৩ দা থোইদুনা টিম অদুগী অহানবা পোইন্ট ফংখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অদুগী অনীশুবা টাইদা হায়দরবাদ হন্টর্সকী সাউথ কোরিয়া মচা লি হ্যুন ইলনা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সকী শান্নরোই ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামগা লম্বা তৌনখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ অদুদা গেম ৩ চঙনা অকনবা লম্বা থেংনরগা মায় পাকখি।

অহানবা গেম অদু হায়দরবাদ হন্টর্সকী লি হ্যুননা ১৫–১৩ দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুনা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সকী অজয় জয়ারামনা ১৫–১১ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীগী লম্বা অদু য়াম্না ফজবা তাঙ্কক অমদা পুরকখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা হায়দরবার্দ হন্টর্সকী সাউথ কোরিয়া মচা লি হ্যুন ইলনা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সকী ইন্দিয়া মচা অজয় জয়ারামবু য়াম্না কোম্না ১৫–৬ তা থোইদুনা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অদুগা নীনিশুবা নুমিৎতা হায়দরবাদ হন্টর্সনা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সপু পোইন্ট ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সকী মায়কৈদগী মেটচ ৩ হায়দরবাদ হন্টর্সকী মখূত্তা শোত্থদুনা লৈরিঙৈ টিম অদুগী মিক্স দবলসকী টিম অদুনা ত্রম্প মেটচ ওইনা শান্নবদা হায়দরবাদ হন্টর্সপু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২ ফংখি।

অদুগা হায়দরবাদ হন্টর্সকী মায়কৈদগী মঙাশুবা রিগুলর মেটচ অদু মায় পাক্তুনা য়ুম্বু ওইখিবা নোর্থ ইষ্ট ৱারিয়র্সপু পোইন্ট ৫–২ দা হেন্দুনা চথরিবা ৪শুবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙম্লি।



*হায়দরবাদ হন্টর্সকী শান্নরোই স্পেন মচা কেরোলিনা মারিননা পোইন্ট ফংখিবদা হরাওবা উৎখিবা*

## স্বাপনিল কুসলনা নেসনেল সুট্টিংদা গোল্ড মেডল ফংখ্রে

*তিরুবনন্থপুরম, দিসেম্বর ২৫ঃ*

কেরালগী সিটি তিরুবনন্থপুরমদা লৈবা নেসনেল গেমস সুট্টিং রেঞ্জদা পাঙথোকপা ৬১শুবা নেসনেল সুট্টি চেম্পিয়ন্সিপ্তা রেলৱেজগী মশাগী চহী ২২ দা ঙাইরিবা সুট্টর স্বাপনিল কুসলনা মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী গোল্ড মেডল ফংখ্রে।

মমাঙদা এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্লবা স্বাপনিল কুসলনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সেনিয়র সুট্টর কয়াবু নমথরগা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী গোল্ড মেডল অদু ফংখিবনি।

মহাক্না মায়থিবা পীখিবা সুট্টরশিংগী মনুংদা চেন সিংহ, সত্যন্দ্রা সিংহ, অখিল সিওরান অমসুং সঞ্জিব রাজপুত য়াওখি।

পনবা য়াবদি স্বাপনিল কুসলনা মমাঙগী নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা গোল্ড ফংবা ঙমখিদবা অদু ঙসিগী কম্পিটিসন অদুদা গোল্ড ফংদুনা হৌখিবা চহীগী অশোয়বা অদু ফুক্কৎপা ঙমখি।

স্বাপনিলনা ৬১শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসন অদুগী ফাইনেল অদুদা পোইন্ট ৪৫৭ ফংদুনা কুমজা ২০১৩ দা সঞ্জিব রাজপুতনা থম্লম্বা পোইন্ট ৪৫৬.১ গী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখি।

মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসন ইভেন্ট অদুদা সত্যেন্দ্র সিংহনা পোইন্ট ৪৫২.৮ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখি। অদুগা চেন সিংহনা পোইন্ট ৪৩৯.৬ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌখি।

